মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম, ত্রিপুরানা শীন্দুনা ত্রিপুরাগী মৈতৈ খুল গৌরনগরদা লৈবা পাওনা ব্রজবাসিগী মিতমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা পাঙথোকখিবা পাওনা ব্রজবাসিগী ১৮৮শুবা মপোক নুমীৎ থৌরম



নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুং চন্না লৈবা পোল্লিং ষ্টেসন ২১/৩৭ অমদি ২১/৩৮ কোদোম্পোকপী মমাঙ লৈকায়দা লাক্লিবা এসেম্বলী মীখলদা মীরেপ ওইগদৌরিবী এস কেবীগী মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীফম




মোইরাং এ সীগী মনুং চনবা মোইরাং ওকশোংবুং লাইরেঞ্জম লৈকায়দগী মীওই ৭০ রোম্না এন পি পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা থোঙাম শান্তিদা শৌগৎতুনা এন পি পিদা য়াওরকপদা তরাম্না ওকখিবা




সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইরোইশেম্বগী মখাদা এ আই সী আর পি ওন নেমাটোদস ইন এগ্রিকলচর, কোলেজ ওফ এগ্রিকলচরনা শীন্দুনা নেমাটোদসগী মতাংদা এব্বেয়র্নেস পীবগী পাঙথোকখিবা ট্রেনিং কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম



## ঈ-শ্রম কার্দ শেম্বগী থবক চখ্থরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): অন-ওর্গনাইজ সেক্তরশিংদা লৈরিবা ৱার্করশিংগী দেটা অমদি ইনফোর্মেসনশিং লৌখৎনবা ইনি দয়াগী ঈ-শ্রম কার্দ শেম্নবগীদমক ককচিং খুল্লেন লৈশাংবম পরেংদা লৈবা আই এন সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট, সোসল ৱার্কর য়েংখোম নিলাচন্দ্রগী সঙ্গাইদা রেজিষ্ট্রেসন দেস্ক অহুম হাংদুনা পাঙথোকখ্রে।

ঈ-শ্রম কার্দ শেম্বগী থবক অসি য়েংখোম নিলাচন্দ্র অমদি মহাক্কী য়ুথ কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ দগী হৌদুনা নুংথিল পুং ২ ফাওবা চখ্থিখি। লোয়ননা মীফম অসিদা ককচিং অমদি ককচিংগী অকোয়বদগী লাক্কুনা পুন্না মীওই ৩০০ লোম ঈ-শ্রম কার্দ শেম্ন নবগীদমক রেজিষ্টর তৌহনখি।

## ফিরাল চিংখৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): বি জে পি লল্লাই মন্দলনা শিন্দুনা মেরা পরিৱার বি জে পি এ পরিৱার অভিয়ানগী মনুংচন্না বি জে পি লল্লাই মন্দলগী শক্তি কেন্দ্র ৩ লল্লাই ম্যুনিসিপালিগী পোল্লিং ষ্টেসন ৫গী বুথ লেভেল প্রসিদেন্টশিংগী য়ুমদা পার্টিগী ফিরাল চিংখৎখ্রে হায়রি।

ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা পার্টিগী ষ্টিক্কর কেম্প্যেন, থম্বাল কেম্প্যেন, কোভিদ ভেক্সিনেসনগী এব্যারনেস, বি জে পি লৈঙাক্না পায়খৎখিবা চাওখৎ থৌরাংশিংগী মতাংদা এব্যারনেস কয়া পীখি। থৌরম অদুদা লল্লাই এ সীগী বি জে পিগী অমত্তা ঙাইরবা কেন্দিদেট কেঐচ ইবোমচা, বি জে পি লল্লাইগী প্রসিদেন্ট ই অমিটকুমার অমদি পার্টিগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি। লোয়ননা শওন্থুং কবুই খুলগী ইমাশিংনা কেঐচ ইবোমচাবু ইলেক্সনদা চাওনা মায়পাক্কবা শেন্বিবা তাইবঙ মপুদা থৌনিখি হায়রি।

## মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুর নীংতম লানদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা নীংতম লান্মী পাওনা ব্রজবাসিগী ১৮৮শুবা মপোক নুমীৎ নীংশিং থৌরম ত্রিপুরাদসু পাঙথোকখ্রে।

মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম, ত্রিপুরানা শীন্দুনা ত্রিপুরাগী খোৱাই দিষ্ট্রিক্ট মখাদা লৈবা মৈতৈ খুল গৌরনগরদা পাওনা ব্রজবাসি পার্কতা খিনবা পাওনাগী মিতমদা হৈকৎ লৈকৎতুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লেংবীরকপা মীয়াম্না লাইওইখ্রবা অথৌবগী মিতমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখি অমসুং মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা অথৌবগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা এন রাজশ্রি অমসুং খুমন্থেম চনু লক্ষ্মীনা খোংজোম পর্ব শকখি। ফোরমগী প্রসিদেন্ট এন বিরনাময়াই ফম্মগা পাঙথোকপা থৌরমদুদা গৌরনগর গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এন বিক্রম দত্ত, মৈরা পায়বী, খোৱাইগী প্রসিদেন্ট এন বিনোতা সিংহা, শক্লাইরবা নোঙ্গ্রাকপম পঞ্চবাবু দত্ত অমসুং এন অমুল্যানচিংবা খুন্নাইগী অচঙবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

## ইবুধৌ থাংজিংগী চাকনৌ তংখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): মোইরাং কংলৈরোলগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা চহী খুদিংগী ওইনা পাঙথোকপা চীঙু ইবুধৌ থাংজিং চাকনৌ তংবগী থৌরম ঙরাং মোইরাংদা লৈবা চীঙু থাংজিং লাইকোলদা পাঙথোকখ্রে।

থাংজিং সেবা মন্দল, মোইরাং ফম্নাইবা চৈরাপ লোয়শঙ, লৈমা নিঙোলশিং, অমাইবা-অমাইবী অমদি পেনা লোয়শঙনা পুন্না শীন্দুনা চহী খুদিংগী পোইনু থাদা পাঙথোকপা লমদম অসিবু খুঞ্জাও লৈচাওনবা, চাহোং-ঙাহোংনবা চাকনৌ তংবগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা মীওইশিং অমদি মণিপুরগী ৱাংমদগী লাকপা চাউরাক্লা মীওই লিশিং ৫ হেনবনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না ফৌ অনৌবা, চেঙ অনৌবা, মনা-মশিং অমদি ঙমজবা শেলগী মতেং কয়াসু ইবুধৌ থাংজিংদা কৎখি।

# চীনগী লমজেল তান্নবগী মহুৎতা খুৎকী লমজেল ওইনা তান্নসি : কেবী

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদা মীরেপ ওইগনি হায়না চোংথোরক্লিবশিংনা চীনগী লমজেল তান্নবগী মহুৎতা খুৎকী লমজেল ওইনা তান্নসি। মদুদা খোঙফম অমত্তা হল্লোই। চীননা ঙাংলগা তোকপগী মহুৎতা থবক্লা ওইনা তাক্কনি হায়না লাক্লিবা এসেম্বলী মীখলদা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবী সোরাইশম কেবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুং চন্না লৈবা পোল্লিং ষ্টেসন ২১/৩৭ অমদি ২১/৩৮ কোদোম্পোকপী মমাঙ লৈকায়দা লাক্লিবা এসেম্বলী মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমদা সোরাইশম কেবীনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সী অসি হীরম কয়াদা শোখদুনা লৈরি। এ সী অসিদা লৈরিবা ইমুং কয়াগী শেল-থুমগী ফীভম ফৎতবগা লোয়ননা পুন্সি মহিংসু অফবা হায়বদু ওইদ্রি। মসিদা মীরেপ ওইগনি হায়না চোংথোরক্লিবা খরনা কেবীদি শেল থাদরগা ভোট লেপ্পনি হায়না লান্না পাউথাংলি। ঙা লল্লোন-ইতিক তৌবা মীওইদা এম এল এ ওইহল্লুবনা নাওরিয়া এ সী অসি চাউখৎ লম্বীদা মনিং হল্লকপনি। মতম শাংনা মীরায়দুনা থম্বীরুরবা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সী অসিদা লৈরিবা লায়রবা মীয়ামগী য়াইফননবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্কুনা লাক্লি। মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং পায়খৎপদা শেল চঙই। ঙসি ফাওবদা কেবীনা অরানবা লম্বী অমত্তদা শেল থাদখিবা লৈতে। এ সী অসিদা মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা কয়ানা চীন্দদি ৱিমেন ইম্পৱারমেন্ট হায়না লাউরি। অদুবু তৌথোরকপা থবক্তদি নুপী ওইবীশিংবু নমথবগী থৌওং চখ্থরি। মতম শাংনা শোখদুনা লাক্লবা এ সী অসিবু চাউখৎপা পুরক্নবগীদমক মীখল অসিদা নুপী মীরেপ অমা ওইননবা চোংথোরকপনি। মসিদা মহাক্কী মথক্তা নক্তবা মীৎয়েং য়েংবা, নক্তবা ৱাঙাং ঙাংবা, নুপী অমবু করম্বা থাক্তা থল্লগা ৱা ঙাংগদগে হায়বা খঙদনা হায়রক্লিবা, ঙাংলক্লিবশিং অসি এ সী অসিগী নুপী ওইবী খুদিংমক্তা মীরেপ ওইগদবশিং অসিনা করম্বা মীৎয়েং য়েংলিবগে হায়বদু ময়েক শেংনা তাকথোকচরকপনি। মীখল ময়াদা পঙাংদা ঙাংবা, পংহুন্দা হুন্নবগী ৱাখল্লোন লৈতে, পামসু পামদে, মীয়াম্নসু পাল্লল্লোই। ভোট ফংননবনি হায়দুনা মীয়াম্বু অপংবা শীবনা তুং কোয়না চৎলোই। লাক্লিবা মীখল অসিদা মীয়াম্না নুংশিবীদুনা মীহুৎ ওইনা থাগৎপীরক্লবদি নাওরিয়া এ সী করম্বা ফীভমদা শেমগৎলকপগে হায়বদু থবক্লা তাক্কনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সোরাইশম কেবীগী ইলেক্সন কম্মিটিগী এদভাইজরশিং অমদি থৌপুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

# মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্লিঙৈদা নোংমৈ কাপশিল্লম্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা এসেম্বলী মীখলদা কৈরাও এ সীদা মীরেপ ওইগদৌরিবা এম দি নসিরুদ্দিন খান এলিয়স বোবোইগী ওইনা এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈবা লেম্বা খুলদা খৃষ্টমাস কুম্মৈগী মাঙওইননা মীয়াম্না য়াইফ-পাউজেল পীবগা লোয়ননা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা ঙরাং পাঙথোক্লিঙৈদা মশক খঙদবা মীওই খরনা গাড়ীদা লাক্লগা নোংমৈ কাপশিল্লম্লে হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ক্যামগৈ মুস্লিম অৱাং লৈকায়দা লৈবা মশাগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা কৈরাও এ সীদা মীরেপ ওইগদৌরিবা এম দি নসিরুদ্দিন খান এলিয়স বোবোইনা হায়খি, মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্লিঙৈদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌদোক অদু য়াম্না লাইবক থীবা থৌদোকনি অমদি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। থৌদোক অদুদা অশোক অপন য়াওদ্রবসু চেন্নবা মীওইশিং লৈঙাক্লা ফাদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীবীয়ু।

মীখলগা মরী লৈননা ভোট খোম্বা হায়বসি মীনুংশিদা খোমগদবনি। মীয়াম্বু কিহল্লগা ভোট খোম্বা য়ারোই। লেম্বা খুলদা মহাক মশামক য়াওনা খুল অসিগী মীওই কয়ামরুম্না শরুক য়াদুনা মীফম অমা পাঙথোক্লিঙৈ নুংথিলগী মতমদা গাড়ী তোংদুনা লাক্লগা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপশিল্লম্বা অসিদা মীশি-মীনা নৎত্রগা অশোক-অপন য়াওরল্লবদি অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরমগদবনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা ফাইল তৌরুরে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই অমত্তা ফাবা পুনবগী ৱাফম লৈত্রি। মমাঙদা মহাক্কী য়ুমগী গেটতা বোম থল্লম্বা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং অদু ঙরাংগী নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা য়াওবা মীওইশিংনা ওইগনি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# তলব চাননবা নীকপগী ৱাহৌদা খৎন চৈনবা থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): হিদাক মনাগী পোৎলম ওইরিবা পান মসলা তলব চাননবগী নীকপদা মওং মরিল তাদে হায়বগী ৱাহৌদা ঙরাং নুমীদাং ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাক মমাং লৈকায়দা বি জে পি অমদি কোঙ্গ্রেস ৱার্করশিংগী খৎন চৈনবগী থৌদোক অমা থোকখ্রে হায়রি।

খৎন-চৈনবগী থৌদোক অদুগা মরি লৈননা ময়াং ইম্ফাল পুলিসনা মী ফানবা থীবা হুন্দগী থবক চৎথবদা মওং-মরিল তাদবা থৌওং কয়া চৎথরম্মী হায়দুনা কোঙ্গ্রেস ৱার্করশিংনা ৱাকৎ মীফম চৎথবদা পুলিসনা থিংনবা হোৎনরিঙৈদা বি জে পিগী ৱার্করশিং অমুক থোকচিল্লক্তুনা ইরাং থোকখি। কোঙ্গ্রেসকী নুপী ৱার্করশিংনা শরুক য়াখিবা ৱাকৎ মীফম অদু ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা কোঞ্চাক মমাং লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা চৎখিবনি। পুলিসকী থৌওং য়ানিংদবা উৎপা প্লেকার্দ কয়া পায়বা ৱাকৎ মীফম ফমলিবশিং অদু তাম্থোক্লবা হোৎনখি। ইরাং অদু হেন্না কনশিল্লকপদগী ময়াং ইম্ফাল পুলিসকী অহেনবা টিমশিং লাক্কুনা মীয়ামগী ইরাং অদু কন্ট্রোল তৌখি হায়রি।

ৱাকৎ মীফম অদুগী মতাংদা অসেম ইবেম্মনা ফোঙদোকখিবদা ঙরাং অসি কোঙ্গ্রেস পার্টিগী ইলেক্সনগী মীটিং অমা লৈকায় অসিদা পাঙথোকখি। অদুবু করিসু লৈতবা ৱাহৌ অমদা বি জে পিগী ৱার্করশিংনা কোঙ্গ্রেসকী ৱার্করশিংদা খুৎ থাবা হৌরকপদগী অচৌবা ইরাং অমা থোকখিবনি। ইরাং অদুবু পুলিসনা কন্ট্রোল তৌরবা মতুংদা খুৎ থাবা হৌরকখিবা বি জে পিগী মীওইশিং অদুবু ফাবগী মহুৎতা বি জে পিগী এম এল এ লৈরে হায়দুনা মখোয়গী মীচং চংলগা অহীং নোংয়াইদা কোঙ্গ্রেসকী ৱার্করশিংগী য়ুমগী থোং ফাওবা কাউখাইদুনা চংলক্লগা মীরোলবী নুপীগী ফমুংগী কাংখল ফাওবা নুপা পুলিসশিংনা হায়দোক্লম্বা অসি য়ানিংদে। মরম অসিনা অসিগুম্বা কা হেনবা পুলিসগী থৌওং অসিদা চেন্নবা পুলিস পর্সনেলশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপিয়ু হায়খি।

# এ জি সী তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ ষ্টোকিষ্ট হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): "হাউ টু য়ুজ এন্দ হাউ টু টেক ক্যের এল পি জি গ্যাস" হায়বা থীমদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা এব্বেয়র্নেস অমদি ট্রেনিং প্রোগ্রামনচিংবা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা ওল গ্যাস ক্যের (এ জি সী) মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা মীয়ামদা হেন্না মপুং ফানা তাকপী তম্বীবা ঙম্নবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী ষ্টোকিষ্ট অমা হাংদোক্তুনা মসিগী ষ্টাফশিং নৌনা হাপ্তুনা এ জি সী ষ্টেট ব্রাঞ্চকী মেনেজর এস ঐচ জয়প্রকাশনা দিকে মোথিল মরিংবু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ষ্টোকিষ্ট প্রোপ্রাইটর ওইনা থবক হৌনবা অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

ঙসি ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সীদা লৈবা তম্ফা হোটেলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা এ জি সী মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ষ্টেট মেনেজর শগোলশেম জয়প্রকাশনা খুদক্তগী মথৌ তৌনবা লাউথোকখ্রবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী ষ্টাফশিংগী মনুংদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী নোমিনি (ফিমেল) ওইনা দি কে কুমার মরিংবু খনখি হায়রি।

য়ুমথোঙ খূদিংদা শীজিন্নরিবা চাকথোং গ্যাসশিংদগী থোক্লক্কদবা মৈহৌ-লাংপোক অমদি মতৌ করম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা ওল গ্যাস ক্যের (এ জি সী) মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী মখাদা নৌনা খল্লবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ষ্টাফশিংনা এল পি জি গ্যাসশিং নীংথিনা লূনা-নান্না শীজিন্ননবা অমদি মৈহৌ-লাংপোক থোক্তনবগী মতাংদা মচা খায়না মীয়ামদা শুগায়না তাকপী তম্বীগনি হায়রি।

# 'নম্বোলদগী ইম্ফাল ফাওবগী গাড়ী অতোংমল হন্থহনবীয়ু'

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): নম্বোলদগী ইম্ফাল ফাওবা পেসেঞ্জরশিংগী গাড়ী অতোংমল হন্থবীয়ু হায়না দিভেলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন, য়ুনাইটেদ ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন (দি পি য়ু ভি ও) নম্বোলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

দি পি য়ু ভি ও নম্বোলগী সেক্রেটরি টি ঐচ লমজিংবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থাউ মমল তাঙবনা মরম ওইদুনা নম্বোলদগী ইম্ফাল ফাওবা পেসেঞ্জরশিংগী গাড়ী অতোংমল লুপা ৮০/৮০ লৌরম্বদগী হৌখিবা ওক্টোবর ২৭তা গাড়ীগী এসোসিএসনগী মীহুৎশিংগা পুন্না ফম্মিন্নদুনা মীফম অমা পাঙথোক্লবা তুংদা লুপা ৫০/৫০ লৌবদা য়ানখি। অদুবু মসিগী মতুংদা থাউ মমল হন্থরক্লে। অদুবু ঙসি ফাওবা অদুম্মক লুপা ৫০/৫০ লৌরি।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ বস ওনর্স ৱেলফ্যের এসোসিএসননা থাউগী মমল হন্থরকপগা লোয়ননা মীয়ামগী অৱাবা য়েংদুনা নম্বোলদগী ইম্ফাল ফাওবগী গাড়ী অতোংমল লুপা ৩০/৩০ লৌদুনা সর্ভিস তৌরি। মরম অসিনা বস ফাওবা লুপা ৩০/৩০ লৌরগা ওটো রিক্সো, মেজিকনচিংবশিংনা লুপা ৫০/৫০ লৌরিবা অসি মীয়ামগী অৱাবা উবীদুনা লুপা ৩০/৩০ লৌবীননবা মরী লৈনবশিংদা নোল্লুকচরি। লৈঙাক্লসু অথুবা মতমদা মতমগা চান্নবা গাড়ী অতোংমল লেপ্পীদুনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবীয়ু অমদি ট্রান্সপোর্টরশিংগী খুদোংচাদবা কয়া অসিসু কোকহনবীয়ু হায়রি।

# নেমাটোদসকী মতাংদা এব্বেয়র্নেস পীবগী ট্রেনিং কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইরোইশেম্বগী মখাদা ওল ইন্দিয়া কো-ওর্দিন্যের্দ রিছার্স প্রোজেক্ট (এ আই সী আর পি) ওপ নেমাটোদস ইন এগ্রিকলচর, কোলেজ ওফ এগ্রিকলচরনা শীন্দুনা নুমীৎ হুম্নী চুপ্পা চথরকপা এব্বেয়র্নেস প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অনীরকশুবা ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ক্বাকসিফাইগী লৌমীশিংদা নেমাটোদসকী মতাংদা এব্বেয়র্নেস পীবগী নোংমগী ওইবা ট্রেনিং কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ওল ইন্দিয়া কো-ওর্দিন্যের্দ রিছার্স প্রোজেক্ট ওন নেমাটোদস ইন এগ্রিকলচর ইম্ফাল সেন্টর, কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর, সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী সাইন্টিষ্ট, পি আই ডা. কে এস ঐচ সুমিতানা ফোঙদোকখিবদা, থৌরম অসি মরুওইনা ভিজিটেবল বেদনি হায়না খঙনরিবা মফমসিদা নেমাটোদস হায়রিবা লায়না অসি তাব্রা হায়না থিজিনবদা মনা-মশিংদা তাবা থেংনখি। অদুনা নেমাটোদসকী মরমদা লমদম অসিগী লৌমীশিংদা হেন্না খঙহন্দুনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লনবা পান্দমদা অসিগুম্বা ট্রেনিং কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। নেমাটোদসকী মরমদা লমদম অসিগী লৌমীশিংনা খঙলমদবা কয়াসু থেংনৈ। হৌজিক দবল ইনকম ফংননবা চঙশিল্লিবা থবক থৌরম কয়া অসিদা প্লান্ট পেরাসাইট ওইরিবা নেমাটোদস অসিনা চাদা ৫০ হেন্না মাঙ-তাকহল্লি। অদুগা হায়রিবা লায়না মখল অসি পুরা ফহনবদি ঙমদ্রবসু মশীং হন্থহন্দুনা লায়না অসিদগী কন্ট্রোল তৌদুনা পোথোক মরাং কায়না পুথোক্লবগী পান্দমদা অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা লৌমী অমনা ফোঙদোরকপদা, নেমাটোদস হায়রিবা মমিং অসি হান্না তাখ্রবসু করিনো হায়বা খঙলমদে। অদুবু অসিগুম্বা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি য়াওবদগী নেমাটোদসনা কদায় কদায়দা শোকহল্লি, লায়না মখল অসিদগী করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বনচিংবা কয়া অদু খঙবা ঙম্লে। মসিনা পোথোক হেন্না পুথোকপদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়খি।

# য়ুঙাং কেস ৪০০ ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি নার্কোটিক্স এন্দ এফ্যের্স ওফ বোর্দর (নাব)কী অপূনবা টিম অমনা নেসনল হায়ৱে নম্বর টুগী সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী মমাঙদা ট্রক অমদা হাপ্তুনা পুরকপা য়ুঙাং কেস ৪০০ ফারে। ঙরাং নুমীদাং পুং ৯.৩০ রোম তাবদা কম্বাইন্দ টিম অদুনা ট্রক অদুগী মথক্তা কুপ্লিবা ট্রিপান হাংদোক্তুনা য়েংলুবা ইন্দিয়ন মেদ ফোরেন লিকর (আই এম এফ এল) অমদি কিংফিসর কেন বিয়রনচিংবা পুন্না য়ুঙাং কেস ৪০০ রোম অদু ফাগৎখিবনি। লোয়ননা য়াল্লবা য়ুঙাংশিং অদুবু পুদুনা লাকখিবা ট্রক অদুগী দ্রাইভর অজিৎ তৈনামৈসু পুলিসনা ফারে। মহাক কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তুমুয়োনদগীনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিন হুমজিন্নবগীদমক ফাগৎলবা য়ুঙাংশিং অমদি টাটা দ্রাইভর অদু এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# য়র ওফ এব্বেয়র্নেস ওন সাইন্স এন্দ হেল্থ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সীল (মাষ্টেক)না শীন্দুনা দিসেম্বর ২০দগী ২৩ ফাওবা সাইন্স এগজিবিসন, স্পোট পেন্টিং, সাইন্স সোর্ট প্লে অমদি সাইন্স কুইজনচিংবা কয়া পাঙথোক্কদবা য়র ওফ এব্বেয়র্নেস ওন সাইন্স এন্দ হেল্থকী থৌরম ঙসি তাকয়েলপাৎতা লৈবা মাষ্টেক্কী কমপ্লেক্সতা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী দিরেক্টর হোমিলা হোঙ্গ্রৈনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিক্সকী প্রোফেসর এস দোরেন্দ্রোজিৎনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সীল ইম্ফালগী দিরেক্টর ডা. এল দিনচন্দ্রনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা এম য়ুগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর এস দোরেন্দ্রোজিৎনা হায়খি, লৈবাক অমগী চাউখৎপগী থাক অসি লৈবাক অদুগী লৈজরিবা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী থাক্তুনা লেপকদবনি। সাইন্স অসি ঐখোয়না তল্লিবা করিগীনো। সাইন্স তল্লীবগী মরমদি লৈবাক অদুগী চাউখৎপগী থাক অদু ৱাংখৎহন্ননবনি। চাউখৎপগী থাক ৱাংখৎহনবদা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী মতেং য়াম্না চঙই। সাইন্স য়াওদনা হৌজিক্কী মতমদা লৈবাক অমা চাউখৎপা য়াদে। হৌজিক ঐখোয়না য়ুমদা মোবাইল, কম্প্যুটরনচিংবা ময়াম শীজিন্নরিবা অসি সাইন্স লৈবদগী থোক্লকপা পোথোক ঙাক্তনি। ঐখোয়না নোংমগী ওইবা পুন্সিরোলসিদা খরা হেন্না নুংঙাইনা হিংননবা হোৎনবদা পোৎলম কয়ামরুম চঙই। হায়রিবা পোৎলম ময়াম অসি অয়াম্বনা সাইন্সকী পোথোক ঙাক্তনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সনশিংদা হ্বিল চ্যের য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): ন্যু হোপ লাইফ ফাউন্দেসন ফোর দিসএবিলিটিজনা পরিং নাইনা চথরকপা দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সনশিংগী পুন্সিগী ঙাক্লৌ ওইগদবা ইক্বিপমেন্টশিং য়েন্থোকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু লমশাং এ সীগী মনুং চনবা তাওথোং অয়ুংবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সন খরদা হ্বিল চ্যেরশিং য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ন্যু হোপ লাইফ ফাউন্দেসন ফোর দিসএবিলিটিজকী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট চিঙ্গাংবম দেবেন্দ্র, ন্যু হোপ লাইফ ফাউন্দেসন ফোর দিসএবিলিটিজকী ভাইস প্রসিদেন্ট তখেল্লম্বম শান্ত, লমশাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী কাউন্সীল্লর লাইশ্রম বেদপতি, লংথবাল মন্ত্রিখোং জি পিগী প্রধান অহৈবম সুনন্দ, অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং অমদি ন্যু হোপ লাইফ ফাউন্দেসন ফোর দিসএবিলিটিজকী এদভাইজর রোকি কোমনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ নন্দো লুৱাংনা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা দিপার্টমেন্টকী মনুংদা দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সনশিংগা মরী লৈনরিবা সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্ট অসিসু মীয়াম্না য়াম্না মরুওইনা লৌগদবনি। মরমদি দিপার্টমেন্ট অসিনা দিফরেন্টলি এবল্ড ওইরবা মীওইশিংগী ঙাক্লৌ পীবীদুনা পুন্সিগী মঙাল অমসু পীগদৌরিবনি। দিপার্টমেন্ট অসিনসু মখোয়না তৌগদৌরিবা অমদি তৌরিবশিং দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সনশিংগীদমক্তনি হায়বসি মতম পুম্বদা কাউবীগনু। মীয়ামগী ৱাকৎ লৈতনবা অঙম্বা থাক্তা থবক তৌবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ত্রিপুরাগী চহীগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): ত্রিপুরাদা খ্বাইদগী মণিপুরী লূপ অমা ওইরিবা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ত্রিপুরাগী ৫৭শুবা চহীগী মীফম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা শক্লাইরবা ওজাশিং ঈকায়খুম্নবা অমসুং মনা-মথুম য়েন্থোক্তুনা মহৈরোয়শিং ওকখ্রে।

অগরতালা ষ্টুদেন্ট হেল্থ হোম কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পরিষদকী প্রসিদেন্ট আর কে জিতেন্দ্রজিৎনা থৌরম মপু ওইখি। অদুগা স্পেসল গেষ্ট ওইনা অসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী ভাইস প্রসিদেন্ট কোইজম স্বাপন অমসুং অগরতালা এন আই টিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. অনুরাধা নোংমাইথেম শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মণিপুরী ক্লাসিকেল দান্সতা গোল্ড মেদালিষ্ট অনিমা খুমন্থেমবু ঈকায়খুম্নখিবগা লোয়ননা খ্বাইদগী অফবা লাইরিক কে সরিতানা ইবা শৈরেং লাইরিক "অরোইবা অহিং"দা লৈহাও তেন্বী নীংশিং মনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০ লান্থোকখি। হন্দক চহী মাপন ত্রিপুরাগী শক্লাইরবা অইবা হাইলাকান্দিগী মোইরেংজম দেব সিংহ (সুব্রাম)দা "ডা. তোনাবম ধিরেন্দ্র চন্দ্র নীংশিং মনা" পীদুনা ঈকায়খুম্নখি। বাংলাদেশকী অইবা এ কে সেরাম শরুক য়াবা ঙমখিদে। হন্দক্কী মীফমদা পরিষদকী অনৌবা এগজিক্যুটভ কম্মিটিসু শেমখ্রে। প্রসিদেন্ট ওইনা এন দিলিপ কুমার, ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা থাংজম রাথিন্দ্র অমসুং এস খেলামোহন সেন, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌদাম নিলকুমার, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি অনি কে অতুল সিংহ অমসুং কে সরিতা অদুগা ত্রেজরর ওইনাএফ দিনামনি শর্মা য়াওনা অতৈ অতৈ মেম্বর মমিংসু লাউথোকখ্রে।

# দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কেপাসিটি বিল্ডিং ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি (মেক্স) ইম্ফালগী স্পোন্সরশিপ মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল য়ুনিট (দি এ সী পি য়ু) থৌবালনা শীন্দুনা নেটৱার্কস ফোর কম্যুনিটি সিষ্টম ষ্ট্রেঙ্কথেনিং হায়বা হীরমসিদা নোংমগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কেপাসিটি বিল্ডিং ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি চীফ মেদিকেল ওফিসর থৌবালগী কমপ্লেক্সতা লৈবা নেসনল হেল্থ মিসন থৌবালগী ট্রেনিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এইদস কন্ট্রোল ওফিসর, দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল য়ুনিট থৌবালগী ইন-চার্জসু ওইরিবা সী এম থৌবাল ডা. ৱাই নোকুলনা চ্যেরমেন ওইনা শরুক য়াখি।

দি এ পি সী য়ু থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট সুপরভাইজর টি ঐচ ওপেনকুমার, দি টি ও/দি টি সী থৌবাল ডা. টি প্রোমোদিনি, ভি আই ঐচ এ এন প্রোজেক্টকী হেল্থ প্রোমোটর পি সনধ্যারানি, আই টি ঈ সী ঐচকী কাউন্সেল্লর মিনারানিনচিংবনা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা শরুক য়াদুনা নেটৱার্কস ফোর কম্যুনিটি সিষ্টম ষ্ট্রেঙ্কথনিং হায়বসিগী মতাংদা শন্দোক্লা ৱাফম কয়া থমখি।

সী এম ও ডা. ৱাই নোকুলনা ঐচ আই ভিগা শাগোন্নদুনা লৈরিবা (পি এল ঐচ আই ভি)শিংবু মখোয়না পূক্নিং ৱাখল শোন্থবা, হন্থবা তৌদনা করম্না ঐচ আই ভিদগী ঙাকথোক্কনি অমদি মখোয়গী পুন্সিদা মখোয়না ঙম্বা সোসাইটি, কম্যুনিটি অসিগীদমক করিগুম্বা খরা তৌরমগদগে হায়বা ৱাফমশিং থমদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। ঐচ আই ভি/এইদস অসিদগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয়না করম্না থেংনগদগে হায়বা ৱাখল্লোন কয়া অমসু শরুক য়াবশিংগী মফমদা শন্দোক্লা থমখি।

নুপা অমসুং নুপী ৪০ রোম্না শরুক য়াখিবা ঙসিগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৱার্কশোপ অদুদা ইন্টরেক্সনগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

# চাইল্ডলাইনগী এক্টিভিটিজ ফগৎহন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): চাইল্ডলাইন এদভাইজরি বোর্দ (সী এ বি) ককচিংগী চহীগী অনীশুবা মীফম পাঙথোক্তুনা চাইল্ডলাইনগী এক্টিভিটিজ হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

চাইল্ডলাইন কোল্লাবোরেটিভ ওর্গনাইজেসন, ককচিংনা শীন্দুনা ঙসি দি সী, ককচিংগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা এ অদাহ্নি মহেও, এ দি সী/এ দি এম ককচিংনা থৌরম মপু ওইদুনা শরুক য়াখি।

দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং, চাইল্ড ৱেলফ্যের কম্মিটি, ককচিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা কে ঐচ তোম্পোক, দিরেক্টর চাইল্ডলাইন কোল্লাবোরেটিভ ওর্গনাইজেসন ককচিংনা ফোঙদোরকপদা, ঙসি পাঙথোক্লিবা অনীশুবা সী এ বি ককচিংগী মীফম অসিদা মপুং ওইনা চহী অসিদা চাইল্ডলাইন কোল্লাবোরেটিভ ওর্গনাইজেসন, ককচিংনা তৌখিবা থবক থৌরমশিং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিংদা পৱার পোইন্ট প্রজেন্টেসন তৌদুনা পুন্না খঙমিন্নবা অমসুং মীপায়নিংঙাই ওইরবা লাইচৎ কোভিদকী মতম অসিদা থেংনরিবা ইস্যুশিং অদুবু কোকহন্নবা হোৎনবদা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিংদগী মতেং নীজবগীদমক ঙসিগী মীফম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

খন্ন-নৈনবগী মীফম অদুদা ৱাই জয়রাজ এদিসনল এস পি (লো এন্দ ওর্দর), কুমারী নাওরেম চ্যেরপর্সন চাইল্ড ৱেলফ্যের কম্মিটি, টি ঐচ রাজেন সী এম ও ককচিং, কে অমিতা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন ওফিসর থৌবাল, কে ঐচ তোম্পোক দিরেক্টর চাইল্ডলাইন কোল্লাবোরেটিভ ওর্গনাইজেসন ককচিং, ৱাই অমুবা জেদ ঈ ও ককচিং, কে নরেশ দি টি ও থৌবাল, এন নলিনি সী দি পি ও ককচিং অমসুং নাওরেম অজিৎ কো-ওর্দিনেটর চাইল্ডলাইন কোল্লাবোরেটিভ ওর্গনাইজেসন ককচিংনা খন্ন-নৈনবা অদুদা শরুক য়াখি।

# ইরুম তুরেল কন্নবা খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): ইরুম তুরেল কন্নবা খোঙচৎ হায়না মিংথোনবা "স্বাছতা রেল্লি" অমা ঙসি ইরেংবন্দ জি পিগী প্রধান বাদুরনা ইরেংবন্দ থোইবী কৈথেলদগী লমথাদুনা ইরেংবন্দগী ইরুম তুরেলগী অকোয়বদা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে অমদি খোঙচৎ অদুনা অমুক লমথাফমদা থুংলদুনা জল জিবন মিসনগী মতাংদা পাক শন্না ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম অমসু ইরেংবন্দদা পাঙথোকখ্রে।

ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসন অমদি ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি, ইরেংবন্দ অনীনা দিষ্ট্রিক্ট ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি অমদি এ দি এ এম, ককচিংগী তেংবাঙ অমসুং লমজিং মখাদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা এম রোমেন উপ-প্রধান ইরেংবন্দ জি পি অমদি কে ঐচ লীনা দিরেক্টর সী সী দি য়ু, পি ঐচ ঈ দি মণিপুরনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি। য়ুম্নাম রুপচন্দ্র চীফ এদিটর ইম্পেক্ট টি ভি, খোগেন্দ্র খোমদ্রাম এদিটর সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী, আর কে সুরেন্দ্র ঈ ঈ, পি ঐচ ঈ দি ককচিং অমদি সুরজিৎ ক্ষেত্রিময়ুম সেক্রেটরি এ দি এ এম ককচিংনা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা জে জে এম অমদি ইরুম তুরেল কনবগী মতাংদা মীয়াম্না থৌদাং লৌবগী তঙাইফদবা কয়াগী মতাংদা মীয়ামদা ফোঙদোকখি।

# রেলি ফোর চেঞ্জ হায়বা ঠিমদা বাইক রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট কে রোনেনগী য়ুথ টিমনা খুন্দ্রাকপম এ সী শিনবা থুংনা রেলি ফোর চেঞ্জ হায়বা ঠিমদা বাইক রেল্লি অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

বাইক রেল্লি অদু ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট কে রোনেনগী পৌরাবিদা লৈবা য়ুমদগী লমথাদুনা খুন্দ্রাকপম এ সীগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা নহা ৫০০ রোম্না শরুক য়াখি। রেল্লি অসিনা হৌখিবা চহী মরি মখায় অসিদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লুচিং মখাদা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা তোঙান-তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংশিংগী মতাংদা মীয়ামদা পাউদমখি। লোয়ননা চহী ১৫ চুপ্পা কোঙ্গ্রেসনা লৈঙাক পায়রকপদা খুন্দ্রাকপম এ সীগী লৌফমশিংদা ঈশিং ফংনবা থৌরাং তৌবিরমদে। লোয়ননা অনা লায়েং, লম্বী-থোং, থক্লনবা ঈশিং, এদ্যুকেসনগী সেক্তরদা অমদি শেনমিৎলোন ফগৎনবা থবক অমত্তা পায়খৎপীরমদবা অসি অহোংবা অমা পুরক্নবগীদমক বি জে পিগী কেন্দিদেটতা ভোট পীদুনা বি জে পিগী এম এল এ অমা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীয়াম্না খুদোল তমদুনা মরা চেৎপা বি জে পিগী লৈঙাক অমা পুরকপদা থৌদাং লৌমিন্ননবা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি হায়রি।

চৎখিবা রেল্লি অদুবু এ সী অসিদা অহোংবা পুরকপা পাম্বা মীওই কয়ানা তরাম্না ওক্লদুনা নহাশিংবুসু পুক্নিং থৌগৎপীখি। এ সী অসিদা পোকচবা চাওজবা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট কৈথেল্লাকপম রোনেনবুসু মায়কৈ কয়াদগী শৌগৎপীরকপগা লোয়ননা খুন্দ্রাকপম এ সীদা বি জে পিগী মপাঙ্গলসু উৎখি হায়রি।